# ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়ন এম্বেসি থোঙ লোল্লবা য়ানা লৈরে



কাবুল, মে ২৫ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টান মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা য়ু এস অমসুং নেটোনা লৈবাক অদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা মখোয় মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুং সেক্যুরিটিগী ওইবা অকিবা লৈবদগী অফঘানিষ্টানদা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ন এম্বেসি চয়োল অসিগী মনুংদা থোঙ লোল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসনননা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লালহৌবগী ইৱাং অদু কনখৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা এম্বেসি থোঙ লোন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। লাল্লিবা ২৮ দগী অফঘানিষ্টানদা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ন এম্বেসি থোঙ লোল্লগনি। অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা এম্বেসি অয়াম্বা লৈবাক অদুদা ফোরেন ক্রুপশিং লৈবদগী অকি অখং য়াওদনা লৈরকখিবনি। অদুমওইনমক হৌজিক্তি ফোরেন ক্রুপশিং অদু লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা এম্বেসিশিংগী সেক্যুরিটিগী ফীভম অরুবা তাঙ্কক অমদা লাকপা য়ানা লৈরি।

মমাং চয়োলদসু কাবুলগী নোংপোক অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান লালহৌবশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা এম্বেসি থোঙ লোন্নবা ফিরেপ কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা লৌখিবনি।

হৌজিক হৌজিক কাবুলদা ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রুপ ৮০ রোম লৈরি। হায়রিবা ক্রুপশিং অসিসু অতেনবা মতমগী মনুংদা অফঘানিষ্টান থাদোক্লবা ওর্দর লাকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অফঘানদা লৈরিবা এম্বেসিশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি। মমাং থাদসু য়ু এস এম্বেসিনা মথৌ তাদবা ষ্টাফশিং মতম খরগী ওইনা অফঘান থাদোক্লবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

মরু ওইবা এম্বেসিগী এনভোইশিং খক্তমক লৈবাক অদুদা লৈনবা খঙহনখ্রবা মতুং ষ্টাফ অয়াম্বা এম্বেসি থাদোক্তুনা চৎনখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনসু মতম খরগী ওইনা স্পেসল এনভোই খরা খক নত্তনা অতোপ্পা ষ্টাফশিংদি কাবুল থাদোক্লগনি। ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী এম্বেসি থোঙ লোন্নবা খঙহনখিবা অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অফঘান গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকাপ লৈত্রি।

## ইজরেলগী পি এমনা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে

জেরুসালম, মে ২৫ (এজেন্সী) :

ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবা মতুং মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহল্লক্তনবা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

নাকল অনীনা য়ানখিবা খুৎ থোক্লবা লেপ্পগী থৌদোক অদু মতম শাংনা চৎনহন্নবা মালেমগী লৈবাকশিংনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান য়াহুনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা হমাজনা হৌজিক লৈরিবা অমদি য়ানখিবা অদুগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি অমদি অতেনবা মতমগী মনুংদা গাজাদগী মিলিটেন্টশিং মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনবদা অহেনবা লাল্লোং কয়া চথরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা পাম্লিবা অদুগুম্না ইজরেলনসু ঈং তপ্পা লৈবা পাম্মী। অদুবু টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওংশিং হেক হেক চথরকপা অমদি শীংনবা ওইনা ইজরেলদা মীশি মীনা থোকপা য়াবা থৌদোকশিং চথরকপনা মরম ওইরগা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা পরা তম্বীনবা ইজরেলনা ফিরেপ লৌখিবনি। লালহৌবশিংবু মরু ফংনা মাঙহনবা হায়বা ফিরেপ কৈদৌনুংনা হোংবা লৈরোই হায়রি।

# বুরকিনা ফাসোগী আই দি পি সাইটশিংদা জর্নেলিষ্টশিং চঙবদা অথিংবা থমখ্রে

বুরকিনা ফাসো, মে ২৫ (এজেন্সী) :

বুরকিনা ফাসোদা থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা তংদু লৈতাদবগী থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরগা লৈফম চাফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা (আই দি পি) মীওইশিং অদুগী মতাংদা রিপোর্ট লৌবা চঙলুবা জর্নেলিষ্টশিং গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিনা চঙহল্লকখিদ্রে হায়রি।



বুরকিনা ফাসো গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা জর্নেলিষ্টশিংনা মখোয়গী মথৌ তৌবদা লৈঙাক্লা অপনবা পীবা লৈতে। অদুবু আই দি পি সাইটশিংদা চঙশিন্দুনা মখোয়না হৌজিক রিপোর্ট লৌবদা খুদোংচাদবা খরা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা জর্নেলিষ্টশিং অদু চঙহনখিদবনি।

আই দি পি সাইটশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী লৈফম চাফম মতিক চানা পীনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মমাংগী মতমদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিঙৈদা জর্নেলিষ্টশিংনা লান্না পাউ ফোঙলুবদগী পামদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদসু জর্নেলিষ্টশিংনা মমুৎ তাদনা পাউ ফোঙলক্লবদি চরাংনবশিং থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

অমরোমদা লোকেল জর্নেলিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা বুরকিনা ফাসোগী আই দি পি সাইটতা লৈরিবা মরু ওইনা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদা গভর্ণমেন্ট সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথরম্বা য়াবগী থাজবশিং লৈ। মদুনা মরম ওইরগা জর্নেলিষ্টশিংনা আই দি পি সাইটশিংদা চঙশিন্দুনা পাউ লৌনবা হোৎনখি।

জর্নেলিষ্টশিংনা মফমদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরুবদা গভর্ণমেন্ট সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চঙহল্লক্তবগা লোয়ননা অমুক হন্না মফমদুদা লাক্তনবা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি। অমদি হয়র ওথোরিটিদগী অয়াবা য়াওরগা লাক্লবা খঙহল্লকখি হায়রি।

# ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিংনা মীয়ামদা চৈথেং পীখিবদগী মহৌশানা পীবা চৈথেংনা হেনখি

জেনেভা, মে ২৫ (এজেন্সী) :

হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিংনা মালেমদা লৈরিবা মীয়ামদা পীখিবা অৱা চৈথেংদগী মহৌশাগী ওইবা য়ৈখাই থিনগাইবনা পীখিবা চৈথেংনা য়াম্না হেল্লি হায়না রিসার্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০২০ দা লৈবাক মনুংগী অমদি লৈবাক মশেলগী ওইবা উংখৎনবগী থৌওংশিংনা মরম ওইরগা মীওই মিল্লিয়ন ৩০ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনখিদে। অদুবু হায়রিবা চহী অসিদা মহৌশাগী ওইবা চৈথেং মরু ওইনা ঈশিং ঈচাও, য়ুহা হাবা অমদি মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই মিল্লিয়ন ৫৫ হেন্না ময়ুম কৈ লৈহনখিদে। মালেমদা অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপদগী মফম অমদা কা হেন্না শাবা অদুগা অতোপ্পা মফম অমদনা কা হেন্না ঈংবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিদা নত্তনা মীয়াম্না থাজদবা উন মপৈ কয়া থুনা য়াঙনা শৌদোরকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা পুরকখিবা য়ান্নবশিং থবক্তা ওস্থোকপা ঙমদবনা ঙসিগী ফীভম অসি ওইরকপনি হায়রি।

# গাজাদা সিজ ফায়র তৌনখ্রবা মতুং ঙামীশিংনা থোরক্তুনা হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌখ্রে

জেরুসালম, মে ২৫ (এজেন্সী) :

ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবা মতুং গাজাদা লৈরিবা মীয়াম্না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা হান্নগী পুন্সি মহিংদা তপ্না তপ্না হজিল্লক্লবা হোৎনরি। গাজাদা লৈরিবা ঙামীশিংনসু হান্নগুম্না থোরক্তুনা সামুদ্রদগী ঙা ফাদুনা য়োনবগী থবক অমুক হন্না হৌনরক্লে হায়রি।



ইজরেল অমসুং হমাজকী মরক্তা উংখৎনখিবগী থৌওংশিংনা মরম ওইরগা নুমিৎ ১১ নি ইজরেলনা লেপ্পা লৈতনা গাজাদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবা অদুনা মরম ওইরগা মফমদুদা লৈরিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখি। মদুদা নত্তনা কয়া অমনা ময়ুম মকৈ লৈহনখিদবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা গাজাগী মীয়ামদা মতেং পাংবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে অমদি গাজাগী মীয়াম্নসু অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে

লন্দন, মে ২৫ (এজেন্সী) :

য়ু কেদা ইন্দিয়াদগী শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি.১.৬১৭.২ গী কেস মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নৌনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী ভেরিয়েন্ট অসি মপাঙ্গল কনবা অমদি শন্দোকপগী চাং ৱাংই। মসিনা মরম ওইরগা য়ু কেদা ভাইরস মখল অসিনা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরক্ত্রিঙৈদা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না লন্দনগী মফম খরদা লোকদাউনগা মান্নবা অথিংবশিং থম্বা হৌখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# টর্কিনা সেন্ট্রেল বেঙ্ককী দিপ্যুটি গভর্ণর অমসু মফম লৌথোকখ্রে

অনকারা, মে ২৫ (এজেন্সী) :

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ এর্দোগানা লৈবাক অদুগী সেন্ট্রেল বেঙ্ককী গভর্ণর থা অনীরোমগী মমাংদা মফম লৌথোকখ্রবা মতুং ঙসিসু সেন্ট্রেল বেঙ্ককী দিপ্যুটি গভর্ণর অমা থবক্তগী মফম লৌথোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হান্নগী দিপ্যুটি গভর্ণর ওগুঝান ওজবাজপু থবক্তগী লৌথোক্লবা মতুং মহাক্কী মহুত্তা সেমি তমেনবু দিপ্যুটি গভর্ণর ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে। নৌনা সেন্ট্রেল বেঙ্ককী দিপ্যুটি গভর্ণর ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা তমেং হৌজিক হৌজিক এর্দোগানগী এদভাইজর ওইনা লৈরি। অমদি অনকারা টি ঈ দি য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টতা হেদ ওইনা থবকসু পুরি। মহাক সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ টর্কিদা হৌখিবা কুমজা ২০০২ দগী হৌরগা ২০১৮ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট কয়াদা থবক তৌরম্লবা মীওই অমনি।

চহী অসিগী মার্চ থাদা প্রসিদেন্ট এর্দোগাননা সেন্ট্রেল বেঙ্ককী হান্নগী চীফ নাকি অগবলবু থবক্তগী মফম লৌথোকখিবনি। অগবল সেন্ট্রেল বেঙ্ককী গভর্ণরগী ফমদগী লৌথোকখিবা মতমদা লৈবাক মনুংদা অচৌবা চরাংনবশিং থোকখি। মরমদি সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ টর্কিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা থবক্তগী মফম লৌথোকখ্রবা অগবলনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি।

অমরোমদা থবক্তগী মফম লৌথোকখ্রবা অগবলনা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা মহাকপু সেন্ট্রেল বেঙ্ককী গভর্ণর ফমদগী লৌথোকপদা অকায়বা লৈতে। মহাক মশা অহল ওইরে অমদি থবক অসিদগী পোত্থাগে হায়না খল্লকপসু কুইরে অদুবু ঙসি খঙহৌদনা দিপ্যুটি গভর্ণর ওজবাজবু থবক্তগী মফম লৌথোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি চিংননিংঙাই ওই। প্রসিদেন্ট ওর্দোগারনা সেন্ট্রেল বেঙ্ককী মরু ওইবা পোষ্ট পায়রম্বা মীওই কয়া থবক্তগী লৌথোক্লবা মতুং মহাক্না নক্লবা মীওই কয়া হাপচিল্লক্লিবা অসি মনুংদা অরোনবা এজেন্দা লৈরম্বা য়াই হায়রি।

# য়ু এস সেক্যুরিটি এসিষ্টেন্টস মখা তানা সস্পেন্দ তৌখিগনি

ৱাশিংটন, মে ২৫ (এজেন্সী) :

য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পকী মতমদা পাকিষ্টানদা য়ু এসনা সেক্যুরিটিগী ওইবা মতেং পীবগী থবক সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লমখিবা অদু মখা তানা লৈখিগনি হায়না পেন্টোগোননা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিননা পাকিষ্টান আর্মী চীফ জেনরেল কমার জবেদ বাস্বা অমসুং য়ু এস নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেদ সুলিবানগা জেনেভাদা উন্নদুনা খঙহনখ্রে হায়রি। পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি জোন কিরবিনা ফোঙদোকখিবদা পাকিষ্টাননা টেরোরিজমগী মায়োক্তা পায়খৎপা থবক থৌওংশিংদা পেন্দমগীদমক কুমজা ২০১৮ দা য়ু এসনা সেক্যুরিটিগী মতেং পীরম্বা অদু সস্পেন্দ তৌখিবনি।

# য়েমেনগী আইলেন্দদা য়াম্না অঙকপা মওংদা এয়র বেজ অমা শাদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে



সানা, মে ২৫ (এজেন্সী) :

য়েমেনগী ভোলকেনিক আইলেন্দ ময়ুনদা য়াম্না চিংনিংঙাই অমদি অঙকপা মওংদা এয়র বেজ অমা শাদুনা লৈরম্বা য়েমেন ওথোরিটিশিংনা ঙরাং থেংনরকখ্রে। হায়রিবা এয়র বেজ অসি মরু ওইনা কম্মরসিএল কারগোশিং শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা শারম্বনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা এয়র বেজ অসি কনানা শারম্বনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি অমদি লৈবাক অমত্তনা মসিগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। শাগৎপা হৌরম্লবা এয়র বেজ অসিদা কিলোমিটর ৫.৬ শাংবা রন ৱে অমসু য়াওরি। য়েমেন ওফিসলশিংগী মায়কৈদগীদি চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা ভোলকেনিক আইলেন্দ অদুগী মথক্তা এয়র বেজ অমা শারল্লিবা অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমাইরেটসনা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

য়েমেননা য়ু এ ঈদা চিংনরবসু এয়র বেজ অদুগী মতাংদা য়ু এ ঈগী মায়কৈদগীদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক মশক মমিং ফোঙদোক্তবা য়ু এ ঈ গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা অঙকপা মওংদা লৈরল্লিবা এয়র বেজ অদুগা য়ু এ ঈগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে।

ময়ুন আইলেন্দদা এয়র বেজ অমা শারক্লিবা অসি য়েমেন নৎত্রগা য়েমেনগী অকোয়বদা লৈবা লৈবাকশিংনা তৌবা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনদি আইলেন্দ অদুদা লাক্লগা এয়র বেজ শাবগী থবক পায়খৎবা ঙম্লোই। নৌনা থেংনখ্রবা এয়র বেজ অদু হৌজিক্তি য়েমেন গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমখ্রে। অদুমওইনমক ভোলকেনিক আইলেন্দ অদুদা য়েমেননা দিপ্লোয় তৌরিবা মখোয়গী ক্রুপশিং অদু থা থাগী ওইনা হোংদোক হোংজিন তৌগনি হায়রি।

অমরোমদা য়েমেনদা বেজ তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা এয়র বেজ অদু শাবা ওইরম্বা য়াই হায়না য়ু এ ঈগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। হৌথি রেবেলশিংনা চহী কয়াগী মমাংদগী য়েমেন গভর্ণমেন্টপু মায়থিবা পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক হৌজিকসু ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা য়েমেন গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী মথক্তা য়াম্না তোয়না লাল হৌরি।

য়াম্না ঙক্লিবদি সেটিলাইট ইমেজ শিংদসু ঙল্লিঙৈ মতমদা এয়র বেজ অসিগী শক্তম উংবা ফংখিদে। অদুবু হন্দক খঙহৌদনা সেটিলাইট ইমেজদা এয়র বেজ অসিগী শক্তম উরকখিবনি। আইলেন্দ অসিগী অকোয়বদা হৌখিবা থা খরা অসিদা কারগো বেসেলশিং চখোক চৎশিন তৌবগী দেটাসু লৈতে। মায়ুন আইলেন্দদা নৌনা থেংনরিবা এয়র বেজ অসি ঙসিদগী চহী ৮ লোমগী মমাংদা শাবা হৌগৎপা ওইরম্বা য়াই।

অদুমওইনমক কুমজা ২০১৭ হৌগৎলকপা অদুৱাইদগী এয়র বেজ অসি শাবগা লোয়শিন্দনা তোকখিরম্বা য়াবগী খুদমশিংসু ফংলি। অদুবু মফমদুদা শারল্লিবা রন ৱে অদুদি অদুক্কী মতিক পাক চাওই হায়রি।

[illegible]

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**WATER RESOURCES DEPARTMENT**
**RATE QUOTATION No. 2**

Lamphel, the 25th May, 2021

Sealed rate quotations are invited by the undersigned on behalf of the Governor of Manipur for supplying of **"Emergency Flood Fighting Materials"** for which the details can be had from the office of the undersigned within 5 (five) days from the publication of this notice.

Sd/- **R. Ningthoujao**
Executive Engineer,
Flood Control & Drainage Divin. No-1
Water Resources Deptt., Manipur

HL-P/9780/26

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

[illegible]/ Pre-Ph.D. ADMISSION NOTICE/239

Dated, the 25th May, 2021

No. MU/3-5/18/Ph.D. Med. Sc/Aca: In continuation of the Admission Notification No.107 dated 29th April, 2021, the last date of online submission of application form for provisional admission to the Pre-Ph.D.programme for the **following Departments for the session 2020-21 has been extended upto 15th June** 2021.

| Sl. | Department | |
|---|---|---|
| 1. | Teacher Education | |
| 2. | Community Medicine, JNIMS | Medical |
| 3. | Biochemistry, JNIMS | |

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/6977/26

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 168,059,040 | +79,369 | 3,489,057 | +2,111 | 149,496,141 | 15,073,842 |
| 1 | USA | 33,922,937 | | 604,416 | | 27,563,930 | 5,754,591 |
| 2 | India | 26,948,874 | +1,378 | 307,249 | | 24,054,861 | 2,586,764 |
| 3 | Brazil | 16,121,136 | | 450,026 | | 14,552,024 | 1,119,086 |
| 4 | France | 5,605,895 | | 108,658 | | 5,222,049 | 275,188 |
| 5 | Turkey | 5,194,010 | | 46,446 | | 5,034,316 | 113,248 |
| 6 | Russia | 5,017,795 | +7,884 | 119,194 | +393 | 4,632,955 | 265,646 |
| 7 | UK | 4,464,900 | | 127,724 | | 4,303,621 | 33,555 |
| 8 | Italy | 4,194,672 | | 125,335 | | 3,792,898 | 276,439 |
| 9 | Germany | 3,659,990 | | 88,039 | | 3,408,800 | 163,151 |
| 10 | Spain | 3,647,520 | | 79,711 | | 3,394,340 | 173,469 |
| 11 | Argentina | 3,562,135 | | 74,480 | | 3,133,183 | 354,472 |
| 12 | Colombia | 3,249,433 | | 85,207 | | 3,046,147 | 118,079 |
| 13 | Poland | 2,867,187 | +1,000 | 73,096 | +151 | 2,629,626 | 164,465 |
| 14 | Iran | 2,855,396 | +11,873 | 79,056 | +208 | 2,362,428 | 413,912 |
| 15 | Mexico | 2,397,307 | +703 | 221,695 | +48 | 1,916,144 | 259,468 |
| 16 | Ukraine | 2,186,463 | +2,608 | 49,685 | +249 | 1,975,064 | 161,714 |
| 17 | Peru | 1,926,923 | | 68,358 | | 1,720,665 | 137,900 |
| 18 | Indonesia | 1,786,187 | +5,060 | 49,627 | +172 | 1,642,074 | 94,486 |
| 19 | Czechia | 1,658,778 | +695 | 30,041 | +4 | 1,612,831 | 15,906 |
| 20 | South Africa | 1,637,848 | | 55,874 | | 1,541,250 | 40,724 |
| 21 | Netherlands | 1,628,922 | | 17,553 | | 1,435,571 | 175,798 |
| 22 | Canada | 1,361,564 | | 25,265 | | 1,284,481 | 51,818 |
| 23 | Chile | 1,335,261 | | 28,548 | | 1,265,116 | 41,597 |
| 24 | Philippines | 1,188,672 | +3,972 | 20,019 | +36 | 1,120,452 | 48,201 |
| 25 | Iraq | 1,172,042 | | 16,214 | | 1,086,612 | 69,216 |
| 26 | Romania | 1,076,154 | +381 | 30,040 | +63 | 1,035,115 | 10,999 |
| 27 | Sweden | 1,058,341 | | 14,366 | | 933,940 | 110,035 |
| 28 | Belgium | 1,049,822 | +941 | 24,853 | +11 | 943,265 | 81,704 |
| 29 | Pakistan | 905,852 | +2,253 | 20,400 | +92 | 823,157 | 62,295 |
| 30 | Portugal | 845,465 | | 17,018 | | 805,979 | 22,468 |
| 31 | Israel | 839,374 | +13 | 6,406 | | 832,455 | 513 |
| 32 | Hungary | 802,510 | +164 | 29,581 | +21 | 671,392 | 101,537 |
| 33 | Bangladesh | 790,521 | | 12,401 | | 731,531 | 46,589 |
| 34 | Jordan | 731,436 | | 9,384 | | 711,614 | 10,438 |
| 35 | Japan | 721,912 | +2,715 | 12,398 | +86 | 645,157 | 64,357 |
| 36 | Serbia | 710,315 | | 6,788 | | 689,098 | 14,429 |
| 37 | Switzerland | 690,123 | +2,770 | 10,782 | +3 | 635,778 | 43,563 |
| 38 | Austria | 642,138 | +398 | 10,551 | +4 | 624,549 | 7,038 |
| 39 | UAE | 559,291 | +1,672 | 1,658 | +4 | 539,161 | 18,472 |
| 40 | Lebanon | 538,668 | | 7,684 | | 511,931 | 19,053 |
| 41 | Nepal | 528,848 | +8,387 | 6,700 | +169 | 404,887 | 117,261 |
| 42 | Malaysia | 525,889 | +7,289 | 2,369 | +60 | 460,062 | 63,458 |
| 43 | Morocco | 517,113 | | 9,126 | | 505,392 | 2,595 |
| 44 | Saudi Arabia | 442,071 | | 7,264 | | 425,677 | 9,130 |
| 45 | Ecuador | 419,198 | | 20,210 | | 366,425 | 32,563 |
| 46 | Bulgaria | 416,727 | | 17,513 | | 373,703 | 25,511 |
| 47 | Greece | 391,181 | | 11,822 | | 357,782 | 21,577 |
| 48 | Slovakia | 388,986 | +132 | 12,301 | +5 | 373,840 | 2,845 |
| 49 | Belarus | 387,818 | +840 | 2,791 | +11 | 377,869 | 7,158 |
| 50 | Kazakhstan | 376,572 | +1,558 | 3,828 | +23 | 340,978 | 31,766 |
| 51 | Panama | 374,356 | | 6,346 | | 362,177 | 5,833 |
| 52 | Croatia | 354,383 | +323 | 7,950 | +21 | 343,414 | 3,019 |
| 53 | Bolivia | 352,170 | +2,517 | 14,024 | +59 | 283,673 | 54,473 |
| 54 | Georgia | 339,315 | +1,354 | 4,654 | +15 | 320,777 | 13,884 |
| 55 | Tunisia | 336,414 | | 12,273 | | 297,123 | 27,018 |
| 56 | Paraguay | 335,691 | | 8,474 | | 277,126 | 50,089 |
| 57 | Azerbaijan | 332,610 | | 4,867 | | 321,132 | 6,611 |
| 58 | Palestine | 305,777 | | 3,470 | | 298,502 | 3,805 |
| 59 | Costa Rica | 304,529 | | 3,849 | | 230,635 | 70,045 |
| 60 | Kuwait | 300,455 | | 1,741 | | 286,199 | 12,515 |